থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# বি জে পি নত্তবা পার্টিশিং ! ৱা অমা খন্নসি



ঙরাং তাবা পাউশিংগী মনুংদা ঐগী থৱায় নুংঙাইহন্দবতা নত্তনা খোয়দৌ থীৎনা শাউনীংহনখিবা পাউ অমনি ... 'পঞ্জাবতা লৈবী, নোর্থ-ইষ্ট-ইন্দিয়াগী নুপীমচা খরা, লোকদাউন মতমনা ননখিদুনা ময়ূম'-থোকপা নংহৌদ্রবী নুপীমচা খরা, মপান্দা চেঙ-চাক, অচা-অথক লৈননবা মরক-মরক মপান্দা/দুকান্দা থোকপদুদা খোয়শাউনরবা য়ূম্বুদুনা, কোরোনা চেনবী নুপীশিংসি কোয়চৎ চৎলি, লায়না অসি শন্দোরক্লনি হায়না চৈ-থাংদুনা ইমুংদা লৈহল্লগা মপান্দা ছো লোনশিন্দুনা থমখিবদগী নুপীমচাশিংদুনা ময়ূমদা ফোন তৌদুনা খঙহল্লকপদগী, মমা-মপানা পঞ্জাব গভর্ণমেন্ট'তা পাউ পীদুনা, পঞ্জাব পুলিস লাক্তুনা নুপীমচাশিংদু রেস্ক্যু তৌখিবগী পাউ'। নুপীমচাশিংদু নাগালেন্দ'গীনি হায়। কদায় ফাওবা চুম্বা/চুমদবা অদুদি সোসল মিদিয়াগী সোর্সতগী ফংবা পাউ ওইবনা, চপ চানা হায়বা ঙমদরে। থৌদোকসিগী মমাঙদা, হরিয়ানাগী গুরুগ্রাম'দা মণিপুরদগী নুপীমচা অমসু মখোয়গী ষ্ট্রিট (লম্বী) দুদা চৎপা য়াদে হায়রমক্তদা চৎলি হায়দুনা তমথীনা ফূরকখিবগী পাউ অমসু তাখি। পাউদুনা খোয়শাওনহল্লবা থম্মোয়সিনা কোল্লমসিমক্তদা পাউদম অমা তমজখি - অসিগুম্বা পাউসিনা নোংমদি অৱাং-নোংপোক-ইন্দিয়াগী শকমান্নদবা মীশিং অসি ইন্দিয়াদগী লাপথোক্লা লৈনীংনবা, ইন্দিয়ন নত্তে খল্লক্লবগী তানফম অমা পুরকপা য়াই।

অতোপ্পা পাউ অমসু তাই। মশীং য়াম্লবা মণিপুরগী নুপী/নর্সিং ষ্টাফ ময়াম অমা কোলকটাগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা থবক তৌরম্বদগী মশানা থবক থাদোক্তুনা ময়ূমদা হল্লকখ্রবী নুপীমচা অমনা মথম্মোয় শোক্লা 'করিগীদমক, হিংনবগী শিনফম অমা ওইনা পামজনা চঙলুরবা, কথোকপতনা থৌদাং ওইবা থবকনি খঙনা চঙলুবা, হিংনবগী পুকচাক থাক্লিবা থবক অদু থাদোক্তুনা হল্লকখিবনো' হায়বগী মচিনমক্লা লীখিবা ৱারী। মহাক্কী ৱারীসি তাদ্রিঙৈ কোলকটাগী হোস্পিটাল অমগী ইগজিক্যুটিভ ওফিসর অমনা থোকপা চেরোল অমসু পাখি। লুরবা কোভিদ-১৯ এটেক মরকসিদা, হোস্পিটালদা হেল্থক্যের ৱর্কর অমা ওইনা থবক তৌরিবীশিংনা, মমা-মপাগী অকনবা প্রেসর অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থৌইনশিন্দগী, থবক থাদোক্তুনা চৎখিনবগী ফিরেপ অমা লৌরকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা থিন্দনা শেংদোরকখি - 'লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অদুগুম্বা থৌওং অমত্তা চথুখিবা লৈতে, মশানা থবক থাদোকচরগে হায়না থোরকখ্রবা কাঙবুদুবু থিংলুনবা পাঙ্গলদসু লৈতে'। মমা-মপা ওইবশিংনদি মচা নিংঙোলশিংগী ৱাকৎ তাবা ঙমদদুনা 'চরা হেল্লসু হেনমীন্নরসি, শিমিন্নসি থোরক্লো' হায়রকপা তাবনি, হায়রক্লে।


'নাতোন নম্বী, কুচু-ঙৌবী, পিক্তক তৌবী' নুপীশিংবু উরগা 'কোরোনা! কোরোনা!' কৌদুনা লঙনবীবই মথক্তা ক্বাগী ক্বাদাং ওশিনবা, তিন-শীৎচিন্দুনা তূক্কচনা লোয়নবীবা, নেসনল পেপরশিংদা ফোঙনরকপা পাউ পারগা, ইন্দিয়ন সোসল ফেব্রিক'সিবু মশক খঙবা ইন্দিয়ন (নোর্থ-ইষ্টনর নত্তবা) অমনসু 'ভিদিও' অমা থাদোরকই ... 'ইন্দিয়াগী অচৌবা সহরশিংদা লৈরিবা মমিং চৎলবা হোস্পিটালশিংদা অনাবা ইন্দিয়নশিংবু লায়েংলিবী, থৌগল তৌরিবী নোর্থ-ইষ্ট-ইন্দিয়াগী, মরু ওইনা মণিপুরগী নর্সশিং, কোরোনা-ক্রাইসিস মতমসিদা 'ফ্রন্ট-লাইন-ৱর্কর' নৎত্রগা 'কোরোনা ৱারিয়র' মিংথোলসু পীবিবা ... হোস্পিটালগী মপান্দনা ঈচম-চম্বা 'নোর্মেল গর্ল', 'কোরোনা মহীক চেনবী' নুপী ওইনা উবীবা ... মীৎয়েং অসি হোংদোকপদি তঙাইফদবা নত্তবরা? মথৌ-শিনফম থাদোক্তুনা চেল্লক্লবী নর্স'শিংগী ৱাকৎসু সোসল অমদি ত্রেদিসনেল মেদিয়াগী খূথাংদা থাদোরকপা পাউজেলশিংসু তারে, উরে, খঙমিন্নরে। কনানা কদায়দা লানবদগী মখোয়না থবক থাদোকপগী ফিরেপ লৌরকখিবনো? পাউদমসিনা কোনশিনজরোই, ময়াম্না খঙবীরিবদুনি। ক্লিনিকল প্রোব্লেম অমদি সোসল রিজেক্সন- অনীসিনা মরুনি।

ঙসি ঐনা পাউদম ওইনা লৌখৎচরুবগী মরমদি অতৈ নত্তে। অসি য়ৌনা সিরিয়স ওইবা ইস্যু অমা ওইরক্লবফাওবদা মণিপুরগী লৈঙাক্লা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনদ্রিবসিগী লাংতক্লবা অদুনি। মণিপুরগী নর্সশিংনা থবক থাদোক্তুনা ময়ূমদা হনখিবদগী হেল্থ-ৱর্কর ৱাৎপগী অৱাবা অমা কোলকাটা সহরগী হোস্পিটালশিংদা মায়োক্লরে হায়বসি, নোংচুপ বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরগী নাকোং য়ৌরবনি। প্রোব্লেম অসি করম্না সোল্ব তৌগদগে হায়বগী সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎ, চৎনীংলগা চৎচখিসনু হায়বগী মতাগুম 'নুমিৎ তরেৎনি ত্রেনিং তৌরগা, হীদাক কাপ্পা তম্বীরগা নর্স ওইনা মথৌ তৌহল্লু' হায়বা ষ্টেটমেন্ট ... মণিপুরগী কোভিদ ১৯ পোজিটিভ কেস থেংনরবা নর্সশিংগী মিং ওফিসল লিষ্ট'তা হাপ্লমদে হায়বই ৱাকৎ ... অসিনচিংবা পাউসিনা বেঙ্গলিশিংগী নোর্থ-ইষ্ট-পিপলশিংদা য়েংবা ইন-দিফরেন্ট এত্তিচ্যুট অদু ময়েক শেংনা মকা ফোংলকপরা? ঐদি কন্না খল্লক্লি।

কোভিদ-১৯-মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং ময়ূমদা হনবগী থেংনরিবা সমস্যাসিগী মথক্তা নোর্থ-ইষ্ট-পিপলশিংনা মায়োক্লরিবা 'হেট-বিহেবিয়র', ঐখোয়বু ইন্দিয়ন অমগুম উবা ঙমদবা ইন্দিয়নশিংগী মীৎয়েং অমদি এত্তিচ্যুট, মতাং চারিঙৈ মোদি অমসুং অমিট শাহ'দা খঙহনহৌসি। বি জে পি নৎতবা পোলিটিকল পার্টিশিং! করি তৌরি হৌজিকফাও?

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯না কার্দিওভাস্ক্যুলর হেল্থতা শোকহল্লি : ষ্টদি



কোভিদ-১৯ নাবা মীওই কয়াদা কার্দিওভাস্ক্যুলরগী শাথিবা অনাবা কয়া থেংনবা য়াই হায়না অনৌবা ষ্টদি অমনা উৎখ্রে। মসিগীসু মথক্তা, রেস্পিরেটেরি দিজিজগী লায়েং খরনা মরম ওইরগা কার্দিওভাস্ক্যুলর হেল্থতা শোকহনবা য়াই হায়রি।

এপ্রিল থাদা রেদিওলোজি কৌবা জর্নেল অমদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শিবগা ঈ ফমজিনবগী থৌওংগগী মরক্তা লৈনবা মরী উৎপা ষ্টদি কয়ামরুম ফোঙখিবা লৈরে। ঈ ফমজিনবা অসিনা ব্লদ সর্ক্যুলেসন নীংথিনা তৌবা ঙমহন্দে, ফিভম অসি পুন্সি মাঙবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহন্নবা মরম অমনি।

অমরোমদনা, ইভিদেন্সশিংগী রিভিয়ু অমনা উৎলি মদুদি, কোভিদ-১৯ অসি করিগুম্বা মতমদা হার্ট ফেল ওইবা অমদি হার্ট এটেক য়াওনা য়াম্না শাথিবা কার্দিওভাস্ক্যুলরগী ওইবা খুদোংচাদবশিং অমদি ব্লদ ক্লোটিংগা লোয়নবা য়াওই।

রিভিয়ু অদুগী কো-অথর ওইরিবা চার্লোট্টেসভিলেদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ভর্জিনিয়া স্কুল ওফ মেদিসিনগী ডা. ৱিল্লিয়ম ব্রাদিনা হায়, 'অনৌবা পেথোজেন অসিগী মরমদা অমদি মসিনা কার্দিওভাস্ক্যুলর সিষ্টেমদা পীবা চৈথেংগী মরমদা ইমর্জেন্সি ফিজিসিয়নশিংদা লৈবা নোলেজ অমদি এৱ্যের্নেস হেনগৎনবগী ৱাখল্লোনদা আর্টিকল অসি ইবনি।'

মহাক্লা হায়, ঐখোয়না কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা অনাবা মশিং হেন্না হেন্না থেংনরকপগা লোয়ননা, লায়না অসিনা হকচাংদা অমদি অকক্লনা কার্দিওভাস্ক্যুলর সিষ্টেমদা পীরিবা চৈথেংগী মরমদা খঙবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা খঙবা হেনগৎলকপগী চাং অসি য়াম্না খোঙজেল য়াঙলি। লায়না লাইচৎ অসিগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনশিং চয়োল খুদিংগী হোংলি।

ডা. ব্রাদি অমসুং মহাক্কী কলিগশিংনা মখোয়গী ফাইন্দিংশিং অদু দি অমেরিকান জর্নেল ওফ ইমর্জেন্সি মেদিসিন হায়রিবা জর্নেল অসিদা ফোঙলকখ্রে।

**কোভিদ-১৯গা কার্দিওভাস্ক্যুলর হেল্থকা লৈনবা মরী**

কোভিদ-১৯ অমসুং কার্দিওভাস্ক্যুলর হেল্থকী মরক্তা লৈনবা মরীগী মতাংদা পনবা ষ্টদি ৪৫দগী ফংবা ইভিদেন্সশিংবু রিসার্চরশিংনা য়েংশিনখি।

হান্ননা লৈরবা রিসার্চশিং অদুদা ইনভেষ্টিগেটরশিং অদুনা কোভিদ-১৯গা মাইওকার্দিএল ইঞ্জুরি, হার্ট এটেক্ট, একুট হার্ট ফেলিয়র, এবনোর্মেল হার্টবিট, অমদি ভেনস থ্রোম্বোইম্বোলিজম (নৎত্রগা ব্লদ ক্লোট্টিং) হায়রিবশিং অসিগা লোয়নবগী খুদম ফংখি।

ডা. ব্রাদি অমসুং কলিগশিংনা ইভিদেন্সতা যূম্ফম ওইরদুনা হায়, কোভিদ-১৯না নাবদগী হোস্পিটালাইজ তৌবা মীওইশিংগী চাদা ৭ তগীনা ১৭ ফাওবদা অদুগা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটতা এদমিট তৌবা অনাবশিংগী চাদা ২২ দগীনা ৩১ ফাওবদা ট্রোপোনিনগী চাং য়াম্না ৱাংবা মাইওকার্দিএল ইনঞ্জুরি তৌবা য়াই।

ট্রোপোনিন হায়বসি স্কেলেটেল অমসুং কার্দিয়াক মসল ফাইবরশিংদা য়াওবা মস্কুলর কন্ট্রেক্সন রেগ্যুলেট তৌবা প্রোটিন অমনি। মাইওকার্দিএল ইনঞ্জুরি হায়বসি এবনোর্মেল ওইবা চাংদা ট্রোপোনিনগী চাং ৱাংখৎপগা লোয়ননা ওইরকপা হার্টকী প্রোব্লেমশিংনি।

রিসার্চরশিং অদুনা মখা তারদুনা হায়, কোভিদ-১৯না নারবা মীওইশিংনা হার্ট এটেককী খুদোংথীবা মায়োক্লবা য়াই, অমদি কোভিদ-১৯না নাবদগী হোস্পিটালদা লৈরিবা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ামরুমদা হার্ট ফেলিয়রগী খুদোংথীবা কয়া অমসু থেংনবা লৈরে।

হৌজিকফাওবদা লৈরিবা ইভিদেন্সকী মতুংইন্না, কোভিদ-১৯না নারবা মীওইশিংগী ঈ উতোং মনুংদা ব্লদ ক্লোট্টিং তৌবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। ঈ উতোং মনুংদা ব্লদ ক্লোট্টিং তৌবা অসি ষ্ট্রোক তৌবগী য়াম্না মরুওইবা রিস্ক ফেক্টর অমনি।

হায়রিবা ফাইন্দিংশিং অসি নত্তবা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইনা, হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী ট্রিটমেন্টনি হায়না শীজিন্নরিবা দ্রগশিংগা কার্দিওভাস্ক্যুলরগী অনাবশিংগীদমক শীজিন্নরিবা হীদাক-লাংথকশিংগগী মরক্তা থোক্লম্বা য়াবা ইন্টরেক্সনশিংগী মতাংদা ডা. ব্রাদি অমসুং মহাক্কী কলিগশিংনা থিজিনখি।

খুদম অমা হায়রগদি হাইদ্রোক্সিক্লোরোক্বিনগা হার্টবিট রেগ্যুলেট তৌনবগীদমক শীজিন্নবা দ্রগশিংগা ইন্টরেক্ট তৌবা পনবা য়াই।

রিসার্চরশিং অদুনা হায়, কোভিদ-১৯ পেসেন্ট খরদা হাইদ্রোক্সিক্লোরোক্বিননা হকথেংননা মাইওকার্দিএল টোক্সিসিটি থোকহনবা য়াই, অমদি কার্দিওমাইওপেথি নাবা হেনঞ্জিলহনবা য়াই। কার্দিওমাইওপেথি হায়বসি হার্ট ফেলিয়র থোকহনবা য়াবা লায়না অমনি।

রিসার্চরশিং অদুগী মতুংইন্না, দোক্তরশিংনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদা থাবদা চেকশিনগদবা হীদাক অমগা হায়রগদি রেমদেসিভির হায়বসিনি। মসিনা এরিথমিয়াস হায়না খঙনবা হার্টনা মথৌ তৌবগী চাং নাইদবগী খুদোংচাদবা অমদি হাইপোটেন্সন হায়না খঙনরিবা ব্লদ প্রেসর নেম্বগী খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াই।

ডা. ব্রাদিনা হায়, SARS-CoV-2 হায়রিবা অনৌবা পেথোজেন অসিগী মরমদা এক্সপিরিয়ন্স লৈবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা, মহীক অসিনা রেস্পিরেটেরি সিষ্টেমগী ৱাংমদা পীরিবা চৈথেংশিং খঙবা ঙম্লক্লে।

কোভিদ-১৯গী মরমদা হেন্না খঙবা ঐখোয়না লেপ্তুনা হোৎনখিগনি অমদি মসিবু থেংননবগীদমক খ্বাইদগী অফবা পাম্বৈশিংসু থিনবা হোৎনখিগনি হায়নসু ডা. ব্রাদিনা মখা তারি।

হৌজিক্কী ওইনদি, কোভিদ-১৯না নারবা মীওইশিংবু লায়েংলিবা দোক্তরশিংনা লায়না অসিনা হকশেলদা পীরিবা মখল কয়াগী চৈথেংশিং অসিগী মতাংদা মীৎ-না শিংনা লৈবা মথৌ তাই হায়না রিসার্চরশিং অদুনা পাউতাক পীরি।

# 'দিল্লিদগী মণিপুর থোকপগী লিষ্ট শেম্বগী মওং কন্দেম তৌই'

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) : ট্রান্সপরেন্ট ওইদবা মওংদা দিল্লিদগী মণিপুর থোকপগী লিষ্ট শেম্বদা নেপোটিজমগী মমি চাউনা তাবসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দিল্লি (মসাদ) মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, করম্বা বেসিসতা য়ুমদা থোক্লবগী লিষ্ট শেম্বনো হায়বগী ক্লারিফিকেসন অথুবদা পীগদবনি। অহানবা লাকপদা সেরিএল ৱাইজ ওইনা পীবসু ওইদে হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম লৈরে। য়াম্না খুদোংচাদ্রবা পন্দুনা লৈরিবা অনাবশিং, মহৈরোয়শিং অমদি মীয়ামদা প্রাইওরিটি পীবীয়ু হায়বসু পীদ্রে। করম্বা মওংদা কনাগী য়েংলগা লিষ্ট শেম্লিবনো। মসি য়াম্না লুদবা থৌওং অমনি হায়না লৌই।

পারৱ লৈবশিংগী, খঙন-চান্নবগী হান্না শীল্লিব্রা। অসিগুম্বা অৱাবা মতম অসিদা ফাওবা নেপোটিজমগী অচৌবা মমি তারক্লিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মণিপুরী খুদিংমক ঐখোয়না য়েংলকপদা অমখক্তনি। অমনা হান্না থোকখিবা অমনা কোন্না থোকপা হায়বগী নুংঙাইতবা লৈতে। অরানবা তৌবগী হৈনবী অদুদি মসাদনা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। কন্ট্রোভর্সেল ওইবা মওংদা ট্রান্সপরেন্ট ওইদবা থবক তৌবীগনু। পন্দুনা লৈরিবা মীয়াম, অনাবশিং, মহৈরোয়দা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবশিংদা প্রাইওরিটি পীরোই হায়রবসু রেজিষ্টর তৌরকখিবশিং অদুগী সেরিএল ৱাইজদা চৎপীয়ু। ট্রান্সপরেন্সি লৈনবা মীয়ামদা রেজিষ্টর তৌরকখিবা মমিং অমদি সেরিএল নম্বর য়াওবা লিষ্ট থাদোক্কদবনি। করিগুম্বা লিষ্ট অদু পীবীরবদি মশানা অদুম্মক খঙজরগনি। রেন্দম ওইনা খনবদি য়ারোই। কন্ট্রোভর্সেল ওইবা মওংদা থবক তৌবীগনু। থবক পায়খৎপা মতমদা ট্রান্সপরেন্সি লৈগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) : খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সঙ্গাইয়ুম্ফম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা বি জে পিগী ৱার্কর ওইরিবা সোসল ৱার্কর মেঞ্জোর মঙাংনা চান-থক্লবা মতেং পাংখ্রে হায়না এম এম আর সী এন্দ য়ুনিটি পার্ককী ওফিসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মেঞ্জোর মঙাংনা ফোঙদোকখিবদা, মখা তানা খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদসু অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# থোং নম্বোনবী নোংজুথাদা ঈশিংনা চেন্থখিগদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবদগী চৈঙাক পীনবা হোৎনরি : এন জি উত্তম



*নোমিতা খোংবান্তাবম*

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) : থোং নম্বোনবী অসি নোংজু থা লাক্লবদি ঈশিংনা চেন্থখিগদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈবদগী চৈঙাক পীনবা হোৎনরি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউচে অসিগা উনবদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা হায়খি, হৌজিক ফাওবগী ওইনা নেসনল আর্কিওলোজিকেল সর্ভেগী টিম লাক্ত্রি। থোং নম্বোনবী অসি নোংজু থা লাক্লবদি চেন্থখিগদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবদগী মীৎয়েং চঙবনি। থোং নম্বোনবী অসি শেম্বা হায়বা য়াদে। পুৱারীগা শাগোন্নবা থোং ওইবা মরম্না ঐখোয়না শেম্নিংই হায়দুনা শেম্বা য়াদে। নেসনল আর্কিওলোজিকেল সর্ভেগী মতুংইন্না শেমগদবনি। থোং অসি শাবদা শীজিন্নরিবা মচাকশিং অমদি শেম্বা শাবগী মণিপুরদা এক্সপার্ট লৈতবা মরম্না খুদোংচাদবা লৈরি। থোং অসি মতম খরগী ওইনা চৈঙাক পীনবা হোৎনবনি। ঈশিংনা চেন্থখিদনবা য়োৎনা ঙাকখৎলগা থম্বনি। য়োৎনা ফ্রেম চন্দুনা ঙাক্লগা মখাদা তুরেল ঈশিং চেলহনবনি। হৌজিক নীংখায়দুনা লৈরিবা থোং অসি ঈশিংনা চেন্থখিবা য়াবগী ফীভম লাকপা মরম্না লৈরিবা ফীভম অসিদগী হেন্না শোকচিনখিদনবা হোৎনবনি। মতম খরগী ওইনা য়োৎনা ঙাকখৎলগা থোং নম্বোনবী অসি থল্লি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবা অসিনা নেসনল আর্কিওলোজিকেলগী এক্সপার্ট টিমসু লাকপদা খুদোংচাদবা ওইরে। লোকদাউন হাংবা অমদি কোভিদ-১৯গী ফীভমনা হঞ্জিল্লক্লবা মতমদা য়ারিবমখৈ থুনা শেমগৎনবা হোৎনবা লৈ। পুৱারীগা শাগোন্নরকপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। থোং নম্বোনবী অসি চহী ১৫০ শুরবা থোংনি। মতমদুদা বিলাটিমাটিগী মহুৎতা লাইমসুর্কি হায়বা চেক মকুপকা শুনুগা শীজিন্নরগা শেমগৎপনি। থোংগী লৈরিবা ফীভম অসি শেম্নিংই হায়দুনা হেক্তা শেম্বা য়াদে। হেরিটেজ সাইট ওইনা শকখঙদুনা লৈবা মফম অমনি। ঈশিংদা লৈবা থোং ওইবা মরম্না নোংজু থাদদি ফীভম শোক্লকপা মশানা তাবনি। অরুবা ফীভম অমদা লাকপা মরম্না তঙাইফদনা য়োৎনা ঙাকখৎতবা য়াদবদগী ঙাকখৎলগা থম্বনি। মীয়াম্না য়ানিংবা অমদি য়ানিংদবসু য়েংবা চঙই।

থোং নম্বোনবী অসি লৌখৎলগা করিমত্তা কায়হন্দনা ম্যুজিয়মদা থম্বা য়াই। থোং নম্বোনবী অসিগী মশক কায়হন্দনা চপ মান্ননা মতমসিগী মচাক-মথুম শীজিন্নরগা চহী ১৫০ রোম চৎনবা শাবসু য়াই হায়না খল্লি। অদুবু মীয়ামগী ওইবা অপাম-পামদা লৈগনি। মীয়াম্না য়াদুনা শাবা ঙম্লগদি কৈথেল মনুংগী চিল্লিবা অসিদা থোং লাম্থোক-লানশিনগী থোং নম্বোনবী অসি শীজিন্নরগদি খরদা ওইরবসু কান্নবা পীগনি। থোং নম্বোনবী য়াওনা খোঙনা ওইরবসু লাম্থোক-লানশিন তৌনবা মফম শেমগৎপদা ইমা কৈথেলগী লম্বী চিনবা খরমখৈদি হন্থগনি। মসিগী অয়াবা অসি মীয়ামদা লৈবনি। হেক্তা হায়বা য়াবা নত্তে। পুৱারীগা শাগোন্নরবা থোং নম্বোনবী অসি চহী য়ামশিল্লকপা মরম্না ফীভম শোক্লকপদগী তঙাইফদনা ঙাকখৎতুনা থম্বনি। করিগুম্বা শেমজিনহৌদ্রবা থোক্লবদি নোংজুথাগী মতমদা নোংনা মরম ওইরগা থোং অসিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখিগনি। তুরেলগী ঈশিংগী ঈচেলনা ফাওবা চেন্থখিবা য়াবগী ফীভম লাক্কনি। মসি য়েংলগা য়োৎনা ফ্রেম চল্লগা থোং অসি ঙাকখৎতুনা চেকশিন থৌরাং পায়খৎপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।০৫।২০২০ ইং, শগোলশেল; কালেনগী ২৯ নি পানবা।

**মেষ :** লৌশিং ফুদোক্লা অরুবা থবক পাংবা ঙমলোই অদুনা পংশিন্নবা ফৈ। লাইবক ফবা মরুপ-মপাংনা চানবীবা অমদি পন্দুনা লৈরম্বা খরসু ফংবগী নুংঙাইবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃষ :** অনম তানবা য়াদবা, কিবা পোকপা, হোয়া ফবা অমদি নাপল য়াদবা নুমিৎনি। হকচাংদি নুংঙাইবা হেনগনি, য়েক্লববু লাকশিনবা ঙমগনি অমদি হরাওবসু ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** থাজদনা নক্লবনা মাঙহনবা, লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংবা ৱাবা অমদি নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াদবা নুমিৎনি। লাইবক্তি ফগনি, থবক পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** থবক পাংবগী নুংঙাইবা, ইকায়খুম্নবা ফংবা, লৈফম নুংঙাইবা অমদি ফমথোল ফংবগুম পেঞ্জবা লৈগনি। অদুবু অফা অপুন্নবদি লৈগনি-থিবা হুম্বা তনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** লাই-গুরুনা চানবীগনি, অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি মীকোক থোংনা থৌ পাংবা ঙমজগনি। মীচং খোম্বদি মতাং চাদে অমদি চরাংনরদি মীপাইবা নংবা য়াই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** লন চংবা, ৱাখল নুংঙাইথোকপা ঙমজবা অমদি মীয়ামগা মরী ফবা লৈগনি। অদুবু মীকোক থোংবদি ঙমলোই অদুনা নোল্লুক্লা চৎপদি ফগনি, খূৎসু চাউগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফবদি ওইদে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, অনৌবা থৌরম পাংনিংগনি, হকচাংসু নুংঙাইবা, মীয়াম্না চানবীবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা ওইগনি। মীকোক থোংবদি ৱাই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** মায় পাক্কনি, অঙম্বনা চানবীগনি, নীংবদুমক পাংবা য়াগনি, লৌশিং থোকপদি খরা লৈরবসু খাংবা কনবনা য়েক্লববু ঙমজদুনা লন ফংজগনি। ঙাঙবদি লুই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- খন্থদনা পংঙাঙ ঙাঙগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাবু/য়াইঙং।

**ধনু :** পূক্নিংদা চিংনবা হেনগৎপা অমদি নে-তাদবনা কাইনবা নংবা অমদি নুংঙাইতবা পোকপা লৈগনি। অদুবু লাই-গুরুনা হায়বা তারদি মীকোক থোংগনি, লন ফংগনি ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মীতোপ থাজগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** নকন্থিনা মরল মাঙহঞ্জবা, নাপলনা অচানবা কাইনবা অমদি মীখা পোনবা য়াবা নুমিৎনি। পূক্নিং ফাথবা, হোয়া ফদবা অমদি তপথবনা য়াইফবা ওইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- অশাউবনা য়েক্লগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** খোইরাংবা, য়েৎনবনা মাঙজবা অমদি লাংতক্লবা খরা লৈরবসু তুংগী পোরম য়াৎপা হৈগনি অমদি ঙাঙথোকপদা মীনা থাগৎপিগনি। য়েক্লবা কোকচবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মীন :** য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, অফা-অপুন কোকচগনি অমদি অফবা লৌশিং তানশিনবা য়াগনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি অদুবু কাইনবগী নুংঙাইতবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# কাদা অমসুং এমসুগী অপূনবা টিমনা ক্বা মনা ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) : কাদা অমসুং এমসুগী অপূনবা টিম অমনা ক্বা মনা ফাগৎখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দোরক্তুনা লোকদাউন চথুদুনা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা ফ্লাইট সর্ভিসশিং অমদি নেসনল হায়ৱেশিং থিংখ্রে। ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ নত্তনা অতোপ্পা পোৎলম অমত্তা পুশিল্লকপা য়াদবগী অথিংবা লৈরিঙৈ তাল্লক অসিদা থা অসিগী ১৮গী নুংথিলদা ট্রক অমদা য়াম্লবা ক্বা মনা পুশিল্লক্লে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা কাদানা ফংবদগী কাদা অমদি এমসুগী অপূনবা টিম অমনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মন্ত্রিপুখ্রিগী এন আর এল পম্প মনাক্তা ঙাইদুনা লৈখি। নুমীদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা ইম্ফাল তম্না ট্রক অমা লাকখি। কাদা অমসুং এমসুগী টিমনা দিটেন তৌদুনা থমখি। লিগেলগী ওইবা এক্সন লৌখৎনবা হৈঙাং পুলিসতা শীন্নখি। ফাগৎলবা ট্রক অদু হৈঙাং পুলিসকী টিম, কাদা অমসুং এমসুনা পুন্না চেক তৌমিন্নবদা আলু বোরা ময়াম মরক্তা ক্বা মনা য়াওরমখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মৈখু থোক্তবা হিদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবনা চিন্দগী মহি থোকহল্লি, মহি অদু শিংতোকপদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপদা চাউনা মতেং পাংই হায়বা ৱাফম লৈরি। হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অথিংবা থমখ্রবনি। ক্বা মনাগা লোয়ননা হিদাক মনাগী পোৎলম পাক-শন্না শীজিন্নরিবা মণিপুরগুম্বা লমদমদা মীপায়নিংঙাই ওইরি। ফীভম অসিদা মশাগী ওইজবা খরগী য়েংদুনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা খরনা ইসেন্সিএল আইটেম ওইবা নত্তবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী লাইবক থীবনি। ক্বা মনা হায়বসি হিদাক মনাগা পুন্না চাবা মরম্না মসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক ওইনা শীজিন্নবা পোৎশক অমনি।

হিদাক মনা হায়বসি য়াম্না এদিক্ট ওইগনবদা নত্তনা মসি শীজিন্নবনা তোঙান তোঙানবা কেন্সর মখল কয়া পোকহল্লি। মীয়ামগী লোকদাউনগী অৱাবা চৈথেং কয়া মায়োক্লরিঙৈদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পীজদুনা পাক-শন্না ময়াই কাবা চীঙ্গাক লাইচুহন্নবা হোৎনবা থৌওংনি হায়না লৌই। অসিগুম্বা থৌওং অসি তরাইনা লৌদে। লোকদাউন তৌখিবদগী ঐখোয় শুফম-চাফম লৈতবা অমদি হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংদ্রি। চৈরক অসিদা, অসিগুম্বা নন-ইসেন্সিএল আইটেমশিং পুশিল্লক্লিবা অসি লৈঙাক অসিনা পুকচেল শেংনা থিংনবা হোৎনগদবনি। ট্রান্সপোর্টরশিংনসু শেল খক্তগী খল্লগা অসিগুম্বা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লবা হোৎনরোইদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল কম্মিটি লাংমৈথেৎ অমদি লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এল ৱাই দি এগী সেক্রেটরি সোমেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈথেৎকী মনুংদা ক্লাস থ্রীদগী ক্লাস টেন ফাওবা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা ফেজ নাইনা জুনিয়র অমদি সব-জুনিয়র হায়না খায়দোক্তুনা অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীখি। এৱ্যের্নেস অসিদা অঙাংশিং কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। লায়না অসি মী অমদগী মী অমদা শন্দাকপা ওইবনা চেকশিনবা তাই। ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং অমদি মাস্ক শীজিন্নবগী কান্নবশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি। অঙাং ১৫০ রোমদা ভলন্টিয়রশিংনা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস পীখি। এৱ্যের্নেস পীরবা মতুংদা অঙাংশিং অমদি শরুক য়ারিবা ভলন্টিয়রশিংদা খুন অসিগী সোসল ৱার্কর মাইবম দেবেননা মাস্ক লেম্না য়েন্থোকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়নসু মখা তারি।